### ৱর্ল্ড পুলিস এন্দ ফায়র গেমস ২০১৭ লোইশিনখ্রে

# মণিপুরদগী রোবার্ট শর্ম্মা, থবাতোন্না গোল্ড ৩/৩, ইন্দ্রাসিনিনা গোল্ড ২, ৱাহিদানা গোল ১ লৌরক্লে





বথিন্দা, ওগষ্ট ১৭ : য়ু এস এগী লোস এঞ্জেলিসতা থা অসিগী ৭ তগী চথরকখিবা ৱর্ল্ডপুলিস এন্দ ফায়র গেমস ২০১৭ কী তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিংদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নখিবা মণিপুরদগী আর্চর গুরুময়ুম রোবার্ট শর্ম্মা অমসুং লমজেল্লোই সোরাইসম থবাতোন চনুনা গোল্ড ৩/৩, শুটর ইন্দ্রাসিনি নোংথোম্বম্না গোল্ড, শিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ২/২ লৌদুনা পুম্না মেদল ৬ অমসুং লমজেল্লোই ৱাহিদা রহমন্না গোল্ড অমা য়াওনা মেদল কয়া লৌখ্রে।

মণিপুরদগী আসাম রাইফলস আর্চরি টিমদা য়াওরিবা রাইফলমেন/জি দি গুরুময়ুম রোবার্ট শর্ম্মানা ৱর্ল্ড পুলিস এন্দ ফায়র রগেমস ২০১৭ কী তোঙান তোঙানবা ইভেন্ট অহুমগী ইন্দিভিজুএল কেটাগোরিশিংদা গোল্ড অহুম অদু লৌখিবনি। মহাক্না গোল্ড লৌখিবা ইভেন্টশিং অদুদি থ্রি দি বের কম্পাউন্দ বো, ফিল্ড বের কম্পাউন্দ বো অমসুং টার্গেট ৯০০ রাউন্দ বের বোদনি। মমাঙ চহীগী নবেম্বর থাদা রাঞ্চিদা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া পুলিস আর্চরি চেম্পিয়নশিপ্তা সেকেন্দ বেষ্ট আর্চর তাখ্রবা মতুংদা মহাক ৱর্ল্ড পুলিস এন্দ ফায়র রেগমসতা শরুক য়ানবা সেলেক্সন তৌখিবনি। মহাক আসাম রাইফলস আর্চরি টিমগী মখাদা কৈথেলমানবীদা ত্রেনিং তৌরিবনি।

ইম্ফালদগী আসাম রাইফলসকী রাইফলমেন/জি দি গুরুময়ুম রোবার্ট শর্ম্মানা গোল্ড মেদল ৩ লৌদুনা লমদমসিগীদা নত্তনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরক্লে হায়নসু আই জি আর (সাউথ) তগী থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ৱর্ল্ড পুলিস এন্দ ফায়র গেমস ২০১৭ কী ত্রেক এন্দ ফিল্ডগী ইন্দিভিজুএলগী তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিংদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নখিবী মণিপুরদগী সোরাইসম থবাতোনসু গোল্ড মেদল ৩ লৌখি। মহাক্না গোল্ড লৌখিবা ইভেন্টশিং অদুদি নুপীগী মিটর ৮০০, মিটর ১৫০০ অমসুং মিটর ৫,০০০ গী লমজেলদনি। তাওথোং খুনৌ লমশাংদগী সোরাইসম থবাতোন হৌজিক হৌজিক সী আর পি এফতা থবক তৌরি। মহাক্না ৱর্ল্ড পুলিস এন্দ ফায়র গেমস ২০১৭ কী মিটর ১০০ অমসুং ৪০০ গী রিলে লমজেলশিংদা শিলভর ২ অমসুং মিটর ৩,০০০ গী ষ্টিপল চেজদা ব্রোঞ্জ মেদল অমসু লৌখি।

ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নখিবী মণিপুরদগী শুটর এন ইন্দ্রাসিনিনা ৱর্ল্ড পুলিস এন্দ ফায়র গেমস ২০১৭ কী তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিংদা গোল্ড, শিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ২/২ পুম্না মেদল ৬ লৌখি। মহাক্না মেদল লৌখিবা ইভেন্টশিং অদুদি পোইন্ট ৩২ স্মোল বোর রাইফল প্রোন মিটর ৫০গী ইন্দিভিজুএলদা অমসুং বিক বোর ষ্টেন্দর্দ রাইফল ৩০০ য়ার্দসতা গোল্ড অমমম, বিক বোর রাইফল কম্বাইন্দ-৬০০, ৫০০ অমসুং ৩০০ য়ার্দস অমসুং পোইন্ট ২২ স্মোল বোর রাইফল থ্রি পোজিসন মিটর ৫০গী ইন্দিভিজুএলদা শিলভর অমমম অমসুং পোইন্ট ২২ স্মোল রাইফল প্রোন মিটর ৫০ অমসুং পোইন্ট ২২ স্মোল বোর রাইফল থ্রি পোজিসন মিটর ৫০গী টিম ইভেন্টশিংদা ব্রোঞ্জ মেদল অনী অমগা লৌখি। মহাক হৌজিক হৌজিক সী আর পি এফতা থবক তৌরি।

নোংথোম্বম ইন্দ্রাসিনি হৌজিক হৌজিক মণিপুর রাইফল এসোসিএসনগী সেনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবা নোংথোম্বম ইন্দ্রজিৎ অমসুং নোংথোম্বম ওংবী হাওবম নিঙোল অশংবীগী মচানুপীনি।

ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নখিবা মণিপুরদগী ৱাহিদা রহমন্না গোল্ড অমা য়াওনা মেদল কয়া লৌখি। মহাক্না মেদল লৌখিবা ইভেন্টশিং অদুদি কিলোমিটর ১০গী লমজেলদা গোল্ড, নুপীগী মিটর ৮০০, মিটর ১৫০০, মিটর ৫,০০০ লমজেলদা শিলভর অহুম, মিটর ১০০ অমসুং ৪০০ গী লমজেলদসু থবাতোনগা পাদুনা চেল্লগা শিলভর মেদল অনী অমসুং ষ্টিপল চেজদা শিলভর মেদল অমা লৌখি। মহাক হৌজিক হৌজিক সী আর পি এফতা থবক তৌরি হায়রি।

# এ এফ সী ষ্টেট লেভেল ত্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জকী এৱ্যের্নেস কেম্পেন চথখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ : অপূনবা ফিটনেস সেন্তর (এ এফ সী) নাগামপালনা শিন্দুনা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা চথরকপগুম চহীসিগী ওগষ্ট ২৬ তগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সী ষ্টেট লেভেল ত্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ ২০১৭ কী মতাংদা এৱ্যের্নেস কেম্পেন চথবা ঙসিদগী হৌখ্রে।

মশা মউ ফবা তিঞ্জং কাইজংদবা অফবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্লিবা ত্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ অসিগী অকুপ্পা ৱারোলশিং এৱ্যের্নেস কেম্পেন অদুনা মীয়ামদা খঙহনখি। অপূনবা ফিটনেস সেন্তরগী হ্যুমেন রিছোর্স মেনেজর লক্সমি কোইজম অমদি সেন্তর অসিগী চীফ ইন্সত্রক্টর সন্তোসনালুচিংলগা সেন্তর অসিগী ত্রেনি অমদি ষ্টাফশিংনা ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়দা এৱ্যের্নেস কম পোষ্টর কেম্পেন চথখিবনি। এ এফ সী ত্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জগী মতাংদা এৱ্যের্নেস চথখিবা মফমশিং অদুদি নাগামপাল, খুয়াথোং, লমলোং, পোরোম্পাৎ, কোনুংমমাঙ, কোংবা, শিংজমৈ, ক্বাকৈথেল, তেরা, নাওরেমথোং অমসুং উরিপোক্লচিংবনি।

এৱ্যের্নেস কেম্পেন অদুগা মরী লৈননা অপূনবা ফিটনেস সেন্তরগী হ্যুমেন রিছোর্স মেনেজর লক্সমি কোইজম্না হায়খি, ত্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ অসিনা মীওইবগী হকচাংবু থা ৩ গী মনুংদা চুং ফিরাল চাবা, মশা মউ ফবা মীওই অমা ওইহনবদা অচৌবা মতেং পাঙগনি। অসিদসু নত্তনা নোংমা নোংমগী নিশাগী ইপাক্ত তাওদুনা লৈরিবা লমদমসিগী নহারোল কয়াবু মশা মউ ফবা মীওই অমা ওইহনবদা অচৌবা মতেং অমসু পাঙলগনি। ত্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ অসিনা মীওইবগী হকচাং ফনা থমহন্নবা হোৎনবদা পীরিবা কান্নবশিং অসি লমদমসিগী মীয়ামদা খঙহন্নবগীদমক এৱ্যের্নেস কেম্পেন অসি পাঙথোকপনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

# এ আই এফ এ অমসুং এফ সী লমজাও মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ : দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন কক্চীংনা শিল্লগা চথরিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এ আই এফ এ ইরেংবন অমসুং এফ সী লমজাও মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা কক্চীংগী দি এস এ গ্রাউন্দদা চথরিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৪০ তাবদগী ৱাইদব্লিয়ু য়ু কক্চীং অমসুং এ আই এফ এ ইরেংবন শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদসু টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা লম্বা তৌনরগা শান্নখি। মেচকী ৪২শুবা মিনিটতা এ আই এফ এগী জর্সি নম্বর ৯ দিঙ্কুনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-০ দা মাঙজিল থাহনখি। গোল অদু চনশিল্লকখিবা মিনিট ৩খক কান্নরগা মেচকী ৪৫শুবা মিনিটতা ৱাই দব্লিয়ু য়ু কক্চীংগী জর্সি নম্বর ৩ এম রোমেনসন্না গোল অদু হন্দোক্লগা মেচ অদু গোল ১-১ দা ইক্বেলাইজ তৌখি। মখা তানা টিম অনীমক্না অহেনবা গোল চন্ননবা অকনবা এটেক কয়াসু চথনরকখি। মেচকী ৫৫শুবা মিনিটতা দিঙ্কুনা মেচ অদুদা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনখি। দিঙ্কুগী অনীশুবা গোল অদুনা মেচ অদু এ আই এফ এনা গোল ২-১ দা মাঙজিল থাহনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা ৱাই দব্লিয়ু য়ুনা অনীশুবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ অদু এ আই এফ এনা ৱাই দব্লিয়ু য়ুবু গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা মেচ ওইনা এফ সী লমজাও অমসুং জে এ কক্চীং শান্নখি। মেচ হেক হৌবগী মরিশুবা মিনিটতা এফ সী লমজাওগী জর্সি নম্বর ৪ এল কিংসন্না গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না য়াম্না ঙন্না মাঙজিল থাহনখি। গোল অদু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা জে এ কক্চীংনা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুং মেচকী ৪১শুবা মিনিটতা এল কিষন্না গোল অমগা অমুক চনশিন্দুনা মেচ অদু এফ সী লমজাওনা গোল ২-০ দা মাঙজিল থাহনখি। মেচকী ৫৯শুবা মিনিটতা জে এ কক্চীংগী জর্সি নম্বর ৭ সঙ্করনা গোল অমা হন্দোক্তুনা মেচ অদু ১-২ দা লৈহনখি। অদুবু অনীশুবা গোল অদু মেচ লোইরবা ফাওবদা জে এ কক্চীংনা হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ অদু এফ সী লমজাওনা জে এ কক্চীংবু গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখি।

# ঈ এল ৱাই এস এনা এস য়ু এস এ এল অমসুং হৈরোক য়ুনাইটেদনা ৱাই দি এবু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ : দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালনা শিন্দুনা ৱাংজিংগী কোদোম্পোকপী গ্রাউন্দদা চথরিবা ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা সুপর ফোরগী মেচশিংদা ঈ এল ৱাই এস এ ফৌদেলনা এস য়ু এস এ এল লাঙথেল অমসুং হৈরোক য়ুনাইটেদনা ৱাই দি এ তেন্থাবু মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী সুপর ফোরগী মঙাশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী এস য়ু এস এ এল লাঙথেল অমসুং ঈ এল ৱাই এস এ ফৌদেল শান্নখি। মেচ অদু হৌরকপদা টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। অহানবা হাফকী তঙ্খায় চল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে। মেচকী ২৮শুবা মিনিটতা ঈ এল ৱাই এস এগী জর্সি নম্বর ৮ সুখাম য়োহেনবনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-০ দা মাঙজিল থাহনখি। গোল অদু হন্দোক্ননবগীদমক এস য়ু এস এ এলনা কন্না হোৎনরকখি। অদুমকপু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এস য়ু এস এ এলনা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী হৌনা এস য়ু এস এ এলনা গোল অদু হন্দোক্নবা কন্না হোৎনখি। অহানবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদ্রিঙৈ চৈরক মেচকী ৩৭শুবা মিনিটতা ঈ এল ৱাই এস এগী জর্সি নম্বর ১২ পি বিদ্যাশ্বরনা গোল অমগা অমুক চনশিন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ২-০ দা মাঙজিল থাহনখি।

ঈ এল ৱাই এস এনা গোল অনী মাঙজিল থাদুনা চৎথ্রবসু গোলশিং অদু হন্দোক্নবগীদমক এস য়ু এস এ এলগী শান্নরোয়শিংনা চোকথবা নাইদনা হোৎনখি। অদুমকপু ঈ এল ৱাই এস এগী জর্সি নম্বর ১১ দব্লিয়ু ইনাওতোম্বনা মেচকী ৪৪শুবা মিনিটতা গোল অমসু চনশিল্লকখি। গোল অহুম অদু হন্দোক্নবগীদমক মেচ লোইরমদাই ফাওবা এস য়ু এস এ এলনা কন্না হোৎনখি। অদুবু মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা এস য়ু এস এ এলনা গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ অদু ঈ এল ৱাই এস এনা গোল ৩-০ দা মায় পাকখি। মেচ অদুদা এস য়ু এস এ এলগী এস বাইরন মেচ রেফ্রিনা কোসন পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী সুপর ফোরগী ৬শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৪ তাবদগী হৈরোক য়ুনাইটেদ অমসুং ৱাই দি এ তেন্থা শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। মেচকী ১৫শুবা মিনিটতা হৈরোক য়ুনাইটেদকী জর্সি নম্বর ১৮ এফ অমুজাওনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-০ দা মাঙজিল থাহনখি। গোল অদু হন্দোক্ননবা ৱাই দি এগী মায়কৈদগী কন্না শান্নরকখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা গোল অদু হৈরোক য়ুনাইটেদনা হন্দোকপা ঙমহনখিদে।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী হৌনা গোল অদু হন্দোক্নবগীদমক ৱাই দি এনা মখা তানা কন্না হোৎনরকখি। গোল হন্দোক্নবগীদমক চথরকখিবা এটেকশিং অদু হৈরোক য়ুনাইটেদনা য়াম্না ফজনা দিফেন তৌখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা ৱাই দি এনা গোল অদু হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ অদু হৈরোক য়ুনাইটেদনা গোল ১-০ দা মায় পাকখি।

মেচ অদুদা ৱাই দি এগী কৃষ্ণকান্ত শর্ম্মা, টি ঐচ কৃষ্ণ অমসুং হৈরোক য়ুনাইটেদকী রাজেন মেচ রেফ্রিনা কোসন পীখি।

## সব জুনিয়র বোইজ টিমগী শান্নরোয়শিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ : সব জুনিয়র নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৭-১৮ গী ওইনা লাক্লিবা ওগষ্ট ৩০ দগী সেপ্তেম্বর ৪ ফাওবা ইম্ফালদা পাঙথোক্কদৌরিবা নোর্থ ইষ্ট জোন ক্বালিফায়িং রাউন্দদা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুর সব জুনিয়র বোইজ টিমগী শান্নরোয়শিং অম্ফাগী টেক্নিকেল কম্মিটিনা পীরকখিবা রিকমেন্দেসনগী মতুং ইন্না খনখ্রে।

মণিপুর সব জুনিয়র বোইজ টিমদা য়াওগদবা খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অদুগী মমিং অম্ফানা লাউথোকখ্রে। শান্নরোয়শিং অদুদি গোল কিপর ওইনা দি এস এ বিষ্ণুপুরগী আই সন্তোস, আই দব্লিয়ু এফ এগী টি ঐচ সেনিগাল অমসুং আই ঈ দি এফ এগী শান খাননি। দিফেন্দর ওইনা আই দব্লিয়ু দি এফ এগী এন রোসন (রোহেন), এল ধাকেশ্বর, দব্লিয়ু অমর, দব্লিয়ু লকি, দি এস এ কক্চীংগী এম সঙ্কর, দি এস এ চান্দেলগী এম কে চোংসু চোথে অমসুং দি এস এ বিষ্ণুপুরগী এম অভিনাসনি। মিদফিল্ডর ওইনা আই দব্লিয়ু দি এফ এগী এল খেলজিৎ, এল রোসন, দব্লিয়ু দ্রাভিদ, এন মালেমঙানবা, কে ঐচ জেদলেক্স, দি এস এ বিষ্ণুপুরগী এস মালেমঙানবা অমসুং দি এফ এ থৌবালগী এ সিটলজিৎনি। ফোরৱার্দ ওইনা আই দব্লিয়ু দি এফ এগী ঈ সন্তোসকুমার, দি এস এ বিষ্ণুপুরগী এম জেটলি অমসুং দি এফ এ থৌবালগী এম লেনিননি। রিজার্ভ ওইনা দি এস এ চান্দেলগী এস ঐচ দেন্থর পাসেল, দি এফ এ থৌবালগী এস ঐচ ৱিলবার্দ অমসুং দি এস এ বিষ্ণুপুরগী এল অজেন্দরনি।

মণিপুর সব জুনিয়র বোইজ টিমগীদমক খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অসি লাক্লিবা ওগষ্ট ১৮গী অয়ুক পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা ত্রেনিং কিটসকা লোয়ননা লাক্লগা টিম মেনেজর এল নবচন্দ্র অমসুং টিম কোচ কে ঐচ রতন্দা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়নসু অম্ফাগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

HL-B/3953/8/7-17/8

# এসিয়ন বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারুগদবা দিনেস অমসুং জুবিত্রাদা তেংবাঙখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ : সাউথ কোরিয়াগী সিওলদা থা অসিগী ২০ দগী ২৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫১শুবা এসিয়ন বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ তা শরুক য়ারুগদবা শাফবা লৈতাম্থেম দিনেস অমসুং য়েনকাপম জুবিত্রাদা স্কুল ওফ বোল্ডর এন্দ ফিটনেস (এস বি বি এফ) ক্বাকৈথেলনা শেলগী তেংবাঙ পীখ্রে।

এস বি বি এফ ক্বাকৈথেলগী শান্নরোয়সু ওইরিবা লৈতাম্থেম দিনেস অমসুং য়েনকাপম জুবিত্রাদা শেলগী তেংবাঙশিং অদু জিম অসিগী ওফিসিএল টি ঐচ রজিবনা খুৎশিন্নখি।

এসিয়া বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা থাঙ্গ লৱাইদগী লৈতাম্থেম দিনেস অমসুং চরাংপাৎ মমাঙ লৈকায়দগী য়েনকাপম জুবিত্রানা কেজি ৭০ গী জুনিয়র কেটাগোরিগী ইভেন্টতা শরুক য়াগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয় অনী অসিনা শোয়দনমক্কী মেদল লৌরক্তুনা লমদম অসিগী মীংচৎ পুরক্কনি হায়বগী থাজবা এস বি বি এফ ক্বাকৈথেলগী মায়কৈদগী থম্লক্লি। শান্নরোয়েশিং অসিনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ানবগীদমক সাউথ কোরিয়াগী সিওলদা চৎপদা চঙগদবা শেনফমশিং মশা মশানা পুথোক্কদৌরি। মসিগীদমক ঙসি জিম অসিনা অঙম্বা শেনফম খরা তেংবাঙ ওইনা পীজবনি। অদুমকপু চঙগদৌরিবা শেনফমশিং অসি য়াম্বনা শান্নরোয়শিংনা অৱাবা কয়াদি মায়োক্লরি হায়নসু ফোঙদোরকখি।




## ষ্টার ক্লবনা এস দব্লিয়ু সীবু গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ : ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মিৎয়েং মখাদা ক্ষেত্রিগাওগী অবা গ্রাউন্দদা চথরিবা এম ইবোবী মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ষ্টার ক্লবনা এস দব্লিয়ু সীবু গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১২শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ৭.৫০ তাবদগী ষ্টার ক্লব অমসুং এস দব্লিয়ু সী শান্নখি। মেচকী ২৩শুবা মিনিটতা ষ্টার ক্লবকী জর্সি নম্বর ১১ কে ঐচ বিরজিৎনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না মাঙজিল থাহনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা গোল অদু এস দব্লিয়ু সীনা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুং মেচকী ৭৪শুবা মিনিটতা ষ্টার ক্লবকী জর্সি নম্বর ৬ টি ঐচ অনিলনা গোল অমগা অমুক চনখি। মেচকী ৮০ প্লস টু চৎপা মিনিটতা এস দব্লিয়ু সীগী জর্সি নম্বর ১১ ও রোহিটনা গোল অমা হন্দোকখি। অদুবু অনীশুবা গোল অদুদি মেচ লোইবা ফাওবদা এস দব্লিয়ু সীনা হন্দোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু মায়থীহৌখি।



HL-B/4074/12-26Aug.

Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com